# কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - মার্থা ষ্টেৱার্ট -



টেলিভিজন সো মার্থা ষ্টেৱার্ট লিভিংগীদমক্তা মমিং লৈরবী মার্থা ষ্টেৱার্ট কমজা ১৯৪১ গী ওগষ্ট ৩ দা ন্যু জর্জিদা পোকখি। পোকপদা মর্থা কোষ্টিরা হানা মিঙ্গৌরম্বদগী কুমজা ১৯৬১ দা এন্টি ষ্টেৱার্টকা লুহোংলবা মতুংদা মার্তা ষ্টেৱার্ট হায়না খঙনরকখি। মার্থাগী অপোকপা ফার্মাস্যুটিকেল সেলসমেননি অমসুং মহাক্কী অপোকপীনা হোম্মেকর অমসুং ওজা অমনি। অঙাং তরুক্কী মনুংদা মার্থানা অনীশুবনি। মার্থাগী অপোকপা অমসুং অপোকপী অনীমক পোলিস মচাশিংনি। পোলিস হেরিটেজ অমসুং কলচর মখোয়গী ইমুংদা মরুওইখি।

মার্থানা চহী ৩ শুরকপদা মহাক্কী ইমুং জর্জি সিটিদগী ন্যুটলি টাউনদা হোংখি। অসুম্না মহাক ন্যুটলিদা চাওরকখি। মহাক্কী অহল অমনা য়াম্না চেকশিঞ্জবা হায়বদু ওইখি অমসুং মচাশিংবু ইমুংগী থবক মচা-মশুশিং য়ারিবমখৈ শুহনখি। মার্থানা থোংবা থাকপা অমদি ফি তুবনচিংবা মমাদগী তমখি। মহাক মপাদগী ইংখোল কোয়বসু তমশিনখি। চহী অমগী মনুংদা মার্থানা মপু-মবেনগাহেক হেক চয়োল খরা লোয়নবা তৌরম্মী। মহাক্কী মবোক্না মঙোন্দা জেম অমদি জেল্লি শেম্বা তম্বীখি।

হায় স্কুল তম্লিঙৈদা মার্থানা অঙাং শেন্নদুনা অমদি অঙাংশিংগী পার্টি শিল-লাংদুনা এক্সত্রা শেল তানখি। মহাক অফবা মহৈরোয় অমা ওইখি অমসুং ন্যু য়োর্ক সিটিগী বার্নার্দ কোলেজদা তমখি। মোদেলিংদা খোঙদাদুনা মহাক্কী স্কুলিংগী চাদিংদা মতেং ওইনবসু হোৎনখি। কুমজা ১৯৬২ দা মহাক হিষ্ট্রি অমসুং অর্কিটেকচরেল হিষ্ট্রিদা দিগ্রী ফংদুনা গ্রেজ্যুএসন লোইশিনখি। গ্রেজ্যুএসন লোইশিনদ্রিঙৈ কোলেজ তম্লিঙৈদা মহাক এন্টি ষ্টেৱার্টকা লুহোংখি। ময়ুম পাল্লবসু মোদেলিংগী করিয়র মখা চথুখি। কুমজা ১৯৬৫ দা মচানুপী পোক্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৬৭ দা মহাক ন্যু য়োর্ক সিটিদা ষ্টোক ব্রোকর ওইনা থবক তৌখি। শিনফম অসিদা মহাক চহী ৬ লৈখি।

কুমজা ১৯৭১ দা মার্থা অমসুং এন্দিনা কন্নেক্টিকটকী ৱেষ্টপোর্টতা টর্কি হিল কৌবা ফার্ম হোম অমা লৈখি। করম্না থোং থাক্কদগে হায়বসিদা নীংথিনা তমশিন্দুনা মমৈথংদা মহাক অফবা গোর্মেট সেফ অমা ওইরকখি। মহাক্না মহাক্কী কুকিং স্কিলশিং অদু মশাগী কেটরিং বিজনেস অমা হাংখি।

মার্থানা চানবা পোৎলম মথেল লুকোই কয়া থোং থাকখি অমসুং অচৌবা দিন্নর পার্টি কয়া লাংখি। মহাক য়াম্না থুনা মায় পাকপা মীক অমা ওইরকখি। মার্তানা শিনবা দিন্নর পার্টি অমদা পব্লিসর অমনা মহাক্কী কুকিং স্কিলসতা পেনখি। পব্লিসর অসিগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না য়াম্না থুনা লাইরিক অমা ফোঙখি। এন্টরটেনিং কৌবা লাইরিক অদু অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি। মথং-মথং কুকিং অমসুং পার্টিগী লাইরিক কয়া ফোঙখি। কুমজা ২০১২ দা পি বি এসতা মহাক্না মার্থা ষ্টেৱার্টস কুকিং স্কুল কৌবা অনৌবা শো অমা হৌখি। মীয়াম্না মদু য়াম্না পাম্নখি।

## মালেমগী অঙকপাশিং

# সেন দীয়াগো জু

সেন দীয়াগো জু অসি কালিফোর্নিয়াগী বালবুৱা পার্ক, সেন দীয়াগোদা লৈবা জু অমনি। জু অসিদা স্পিসীজ অমসুং সব-স্পিসিজ ৬৫০ হেনবগী শা ৩৭০০ হেন্না লৈ। মদুগী পেরেন্ট ওর্গনাইজেসন, সেন দীয়াগো জু গ্লোবেল অদু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা জুলোজিকেল মেম্বরশিপ এসোসিএসনশিংগী মনুংদা অমনি। পুন্না য়ুমথোং ২৫০,০০০ হেন্না অমসুং অঙাং মেম্বর ১৩০,০০০ মেম্বরশিং ওই। মখোয়না মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমা হেন্না রিপ্রজেন্ট তৌই। সেন দীয়াগো জু অসি শারং য়াওদনা ওপন এয়রদা শাশিং থম্বগী লময়ানবা জু অমনি। থৌওং অসিনা শাশিং অদুবু মখোয়গী মহৌশাগী লৈফমশিংগা মান্নবা মফমশিংদা লৈহল্লি। জু অসি পান্দা অচৌবা থম্বা অমসুং শা অসিবু মায় পাক্না ব্রীদিং তৌবা মালেমগী জু খরখক্কী মনুংদা অমনি। জু অসি সেন দীয়াগো সীটিদগী লিজ তৌবা একর ১০০ চাওবা বালবুৱা পার্কতা নন-প্রোফিট জুলোজিকেল সোসাইটি ওফ সেন দীয়াগোনা লন্নাই ওইনা শীল-লাংলগা লৈবনি। মদুদা লৈরিবা শাশিং ইক্বিপমেন্ট অমসুং অতৈ এসেট পুম্নমক সেন দীয়াগো সীটিগীনি। সেন দীয়াগো জু অসি ৱর্ল্ড এসোসিএসন ওফ জুজ এন্দ এক্বেরিমস (দব্লিয়ু এ জেদ এ) কী মেম্বর অমনি। সেন দীয়াগো জু ক্লোবলনা সেন দীয়াগো জু সাফারি পার্ক অমসুং সেন দীয়াগো জু ইন্সটিট্যুট ফোর কঞ্জার্ভেসন রিছার্চসু ওপরেট তৌরি।

সেন দীয়াগো জু অসি কুমজা ১৯১৫ গী পানামা কালিফোর্নিয়া এক্সপোজিসনগী মতুংদা লৈহৌবা শা মখল কয়াগী এক্সিবিজনশিংদগী ওইরকখিবনি। কুমজা ১৯১৬ কী ওক্টোবর ২ দা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ডা. হেরি এম ৱেজফোর্দনা জুলোজিকেল সোসাইটি ওফ সেন দীয়াগো হৌদোকখি। মহাক কুমজা ১৯৪১ ফাওবা সোসাইটি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈখি। কুমজা ১৯২১ গী ওগষ্টতা বালবুৱার পার্কতা লম খরা তুং কোয়নগী ওইনা খায়দোকখি। সীটিদুগী এটোর্নিগী পাউতাক্তা শা পুম্নমক্তুবু লৌশিন্দুনা জু অদু মখোয়না মেনেজ তৌবা হায়না য়ানখি। মথং চহীদগীদি জু অদু চৎনবা হৌখি। এক্সপোজিসন্দা লৈহৌবা শাশিং অদুদা নত্তনা ৱান্দরলেন্দ এম্যুজমেন্ট পার্ককী শাশিংসু লৌশিনখি। ইলেন ব্রোনিং স্ক্রীপসনা জুগী অকোয়বদা ফেন্সিং শেমগৎতুনা মেনেজ তৌবগী চাদিং ফংলবা অচংমল লৌবা হৌখি। জুনুজ হায়বা চেফোংসু কুমজা ১৯২৫ গী অঙনবা শরুক্তা ফোঙবা হৌখি।

কুমজা ১৯২৩ দা এনিমেল কলেক্টর ফ্রেজ বকনা চহী অহুমগীকন্ট্রেক্টতা সেন দীয়াগো জুগী দিরেক্টর ওইনা থবক হৌখি। মহাক থা অহুমদগী হেন্না থবক পায়খিদে। মহাক্কী মতুংদা দিরেক্টর কয়া অমসু মতম শাংনা থবক তৌখিদে। মমৈথংদা জুগী বুককীপর বেলি বেনচলিবু এক্সিক্যুটিব সেক্রেটরি হাপখি। মহাক চহী খরা লৈরগা জুগী দিরেক্টর চপ চানা ওইখি। নুপী অসিনা কুমজা ১৯২৫ দগী কুমজা ১৯৫৩ ফাওবা সেন দীয়াগো জুগী দিরেক্টর ওইখি।

সেন দীয়াগো জু অসি শাশিংবু শারংদা থমদনা অরাকপশিংবু উহন্নবা হোৎনখিবা লময়ানবা জু অমা ওইখি। জু অদুবু শীল্লি-লাংলিবশিংনা হেক হৌবদগী শাশিংবু ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্নবা হোৎনখি অমসুং জু অদুগী শারং য়াওদবা নোংশাগী এরিয়া অদুনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯২২ দা হাংদোকখি। কুমজা ১৯৯৯ দা জু অসিদা অফ্রিকান রেনফোরেষ্ট এরিয়াগী শাশিং থম্নবা ইতুরি ফোরেষ্ট শেমখি অমসুং মখল-মখা কয়াগী স্পিসিজগী শাশিং উৎখি। জু অদুগী সেক্টর ফোর রিপ্রদক্সন ওফ ইনদেঞ্জরড স্পিসিজ (সী আর ঈ এস) কুমজা ১৯৭৫ দা হৌদোকখি। কুমজা ২০০৯ দা সী আর ঈ এসপু শীংথানিংঙাই ওইনা চাউথোকহন্দুনা ইন্সটিট্যুট ফোর কঞ্জার্বেসন রিছার্চ ওইহনখি।

# ব্যুটি : ফিজিগ্রী শীজিন্নদুনা কোক্তা হৌরক্লিবা পোক ফহনবা ঙম্মী





তূম্বা চাবা মতম নাইদবা, অরানবা মওংদা লাইফষ্টাইল হিংবগী হৈনবী লৈবনা অমদি পোলুসনগী চাং হেনগৎলকপনা ঙসিগী মীরোলশিংদা চহী নৌনা পোক হৌরকপগী চাং হেনগৎলক্লি। মতম অমদদি মীয়াই চল্লবা মীওইশিং খক্তনা পোক হৌই হায়নরম্মী। পোক হৌরকপা অসি চহী য়ামশিল্লক্লে হায়না খনরম্মী। অদুবু হোংলক্লিবা মোর্দনগী লাইফষ্টাইল অসিদদি য়াম্না ঙন্না হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা পোক হৌবগী চাং হেনগৎলক্লি। পোক হৌবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা হীদাক কয়াসু শীজিন্নরি। মার্কেটতা মখল-মখা কয়াগী তাংনা ফংবা হীদাক কয়াসু শীজিন্নরি অদুবু মদুগী হেক কান্নবা ফংবা হায়বদুসু ওইদ্রি। পোক হৌবা ফৈ হায়দুনা মার্কেটতা ফংবা কেমিকেল য়াওরবা হীদাকশিং অমদি মশীং থীঙমদ্রবা তোঙান-তোঙানবা প্রদক্ট কয়া শীজিন্নবনা পোক হৌবা ফবদি লায়রদনা মদুনা শম কেলহনবা, শম য়াম্না শোকহনবা অমদি এলর্জি থোকহনবগী ৱাফম কয়াসু মীয়াম্না হায়নদবা নত্তে।

অদুবু মমলসু য়াম্না তাংদবা অমদি য়ূমথোং খুদিংদা য়াম্না লায়না ফংবা ফিজিগ্রী শীজিন্নদুনা পোক হৌবদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোকনরক্লি। অয়াম্বনা ফিজিগ্রী অসি কোই ফানবা লোয়রবা মতুংদা শীজিন্নে। অদুবু ফিজিগ্রীদা য়াওরিবা মগুনশিং অসিনা শমগী ওইনসু য়াম্না কান্নবা হায়বদুসু ওই। ফিজিগ্রী শীজিন্নবনা শমদা চঙশিল্লকপা ফতবা অমোৎ-অকায় লৌথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা শম কেনবা ফাওবা ফহনবা ঙম্মী হায়রি। লোয়ননা শমবু মুনা থম্বদা অচৌবা কান্নবা পীরি। ফিজিগ্রীদা য়াওরিবা মেগ্নেসিয়ম সলফেটনা হকচাংদা মরুওইবা এঞ্জাইম ৩০০বু রিগ্যুলেট তৌহনবা ঙম্মী হায়নসু অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লরি।


**ফিজিগ্রী করম্না শীজিন্নগনি :** ফিজিগ্রীগী অপিকপা শরুক অমা লৌদুনা তকখাইরবা মতুং পাউদর তারবা ফিজিগ্রী অদুদা গুলাব জল খরা য়ানশিনবিয়ু। মদুবু য়াম্না ফজনা থীৎলদুনা পেষ্ট ওইরবা তুং পোক হৌবা মফমশিংদা তৈরদুনা মিনিট ৫ মুক মালিস তৌবিয়ু। মদুগী মতুং পুং ১ মুক লৈরবা তুং য়াম্না শাদবা লুম্বু-লুম্বু শাবা ইশিংদা কোক তুমথোকপিয়ু। হায়রিবা থৌওং অসি চাং নাইনা নুমীৎ ১৫মুক তৌবিরবদি অদোমগী কোক্তা হৌরিবা পোক অদু ফখিদুনা অমুবা ফজবা সাইনিং য়াওবা শম হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

অদুমকপু খ্বাইদগী ফবা তৌবা য়াবা থবক্তি মতম নাইনা তুম্বা চাবা, কেমিকেল য়াওদবা পোৎলমশিং শীজিনবা ফৈ। ফেসন অমা ওইনা ঙসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা স্মোকিং তৌবা অসিনসু পোক হৌরক্লবগী চাউরবা মরম অমসু ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবা মখৈ ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদনবা হোৎনবিবা ফৈ। মদুনা কোকতা পোক হৌরকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা খক নত্তনা হকচাং নাদ-য়েক্তনা হকচাং ফিট ওইনা লৈবা ঙমগনি।






Title : A small House of Holy
By: Jitiksha Aribam
Class: IV Sec: A Roll No.
School: Kendriya Vidyalaya, Langjing, Imphal




Title: Duck
By: S. Tiana
Class: II Sec: Roll No.
School: Heritage Convent







Title: Cake
By: S. Lamjingba
Class: K.G. Sec: White Roll No. 14
School: Lee Faith School




Title: Growing plant is Growing Nation
By: Yaiphabi Kangjam
Class: III Sec: Coral Roll No. 02
School: Heritage Convent




Title: Scenery
By: Ariya Tharoijam
Class: V Sec: A Roll No. 30
School:



Title : Tourist Home
By: Bony
Class: III Sec: B Roll No. 17
School: Smart Universal Academy




Title: Aquarium
By: Rohan Mayengbam
Class: I Sec: Roll No. 15
School: Imphal Valley School




Title : Scenery
By: N. Pangku
Class: II Sec: A Roll No. 42
School: Kendriya Vidyalaya, Lamphel




Title: Save Ozone Layer
By: Irom Carolina Devi
Class: V Sec: Roll No. 20
School: Maheilen Education Centre



Title: Bee
By: Gabriel Laishram
Class: II Sec: Roll No. 03
School: Kid's Foundation



Title: Scenery
By: Y. Ishwarchandra
Class: III Sec. Roll No. 01
School: Maheilen Education Centre





Title: James (Pokemon)
By: Dishan Meetei
Class: VI Sec: Roll No.
School: Maheilen Education Centre